# লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিংগীদমক খূদোংচাবা কয়া পীরি হায়বা ৱাফম অসি অচূম্ব্রা হায়বা ৱাহং কয়া হংনরক্লি

**শান্নবুংগী পাউদম-১৭**
**জয়চান্দ লুৱাং**



মণিপুর লৈঙাক্লা লমদম অসিদা লৈরিবা শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওজবা মীওইশিংগীদমক খূদোংচাবা কয়া পীরি হায়না লাউরি। অদুমওইনমক নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরুরবা অমদি মেদল লৌদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রবা শান্নরোয় কয়ানদি খূদোংচাবশিং অদু মপূং ফানা ফংবগী মমি উদ্রি। শান্নরোয়শিং খক্তা নৎতনা মখোয়বু তাকপী-তম্বীরিবা কোচশিংসু লৈঙাক্লা খূদোংচাবা কয়া য়াম্না পীবীরবগে হায়বা ৱাহং মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি।

লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবাথাঙ-তাশান্নরোয়শিংগীদমক লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা কদায় য়ৌনা থবক তৌখ্রবগে হায়বসি হংনিংঙাই ওইরি। লমদম অসিদগী থাঙ-তা মশান্নদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরুরবা অমদি শান্নরিবা কয়া লৈরি। মখোয়শিং অদু লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মতেং পাংবা উদ্রি। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়-শিংদা লৈঙাক্লা ইন্সেন্টিভ পীরি হায়না ফোঙদোক্লি। অদুবু ইন্সেন্টিভশিং অদু চাং নাইনা পীদবনা মরম ওইরগা লৈজদবা ইমুংদগী হৌরকপা শান্নরোয় কয়াদি অৱাবা মায়োক্লরি।

য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্ট-মেন্টনা শান্নরোয়শিংগী পীফম থোকপা ইন্সেন্টিভশিং চাং নাইনা পীথোকপগী মহুৎতা চহী রোমদানমশিন্দুনা থম্বীরি। মসিদা নৎতনা কোচ কয়াসু মখোয়না ফংফম থোকপা খূদোংচাবশিং মপূং ফানা ফংহন্দবগী অৱাবা মায়োক্লদবসু নত্তে। থাঙ-তা মশান্না খক্তা নৎতনা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদসু শোত্থবগী মমি কয়া উরি। লৈঙাক্লা স্পোর্টস ইভেন্ট খরখক্তমক কা-হেন্না মীৎয়েং চঙবগী ফীভম অমা লৈরি।

জুদো মশান্নগী ওইনসু লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মমি উদ্রি। পীকখ্রবা লমদম অসিদগী হৌজিক ফাওবদা জুদো মশান্নদা ওলিম্পিয়ন অহুম পুথোকপা ঙমখ্রে। হন্দক টোকিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা লমদম অসিদগী লিকমাবম শুশিলা চৎখি। জুদো মশান্নদা ইন্দিয়াগী ওইনা মহাক খক্তমক ক্বালিফাই ওইরকখিবনি। অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগীদমক্তা লৈঙাক্লা চাউখৎনবা করি করম্বা থবক পায়খৎখ্রবগে হায়বা ৱাহং কয়াসু জুদো শান্নরোয়শিংনা অমদি এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা হংনরক্লি।

অমরোমদা, লৈঙাক্লা শান্নবুংশিং মপূং ফানা শেমগৎপীদবা অমদি শেমগৎ-শাগৎতুনা থল্লিবা খরা অদুসু শেন্নবীনবা লৈতবনা মরম ওইরগা কুইনা শাংনা শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবা ঙমদ্রি। মদুগী খূদম হায়ববু লম্লোংদা লৈরিবা এষ্ট্রো টর্ফ ঈশিং থুমজিল্লক্লিবা অসিনি। লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা অমদি অচান-মীরাই নাইদনা থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বসু মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। মপান লমগা য়েংনরুব্বদা লমদম অসিদা শান্নরোয়শিং মপূং ফানা ট্রেনিং পীবা য়াবা মফম অমত্তা লৈত্রি। অদুমওইনমক লৈবাক অসিগী ওইনা মণিপুর স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি হায়না খঙনরিবনি। হীরম অসিদা লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপীরবদি লমদম অসিদগী মশক নাইরবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি।

# দিনেশ নাওরেমনা এসিয়ন এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড অমসুং সিলভর ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মখা লৌদা লৈবা ককচীং সুমাক লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা নাওরেম য়াইমা অমসুং অপোকপী নাওরেম ওংবী মোনবীগী মচানুপা মশাগী চহী ২৫ শুরবা দিনেশ নাওরেমনা থা অসিগী ২৪দগী ২৮ ফাওবা কিৰ্গিষ্টানদা পাঙথোকপা জি এ এম এম এ এসিয়ন এম এম এ চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা গোল্ড মেদল অমসুং সিলভর মেদল অমা ফংবা ঙমখ্রে।



দিনেশ নাওরেমনা গ্লোবল এসোসিএসন ওফ মার্সিএল আর্টসকী মখাদা পাঙথোকপা মিক্স মার্সিএল আর্টস (এম এম এ) অমসুং ষ্ট্রাইকিং মিক্স মার্সিএল আর্টস দিসিপ্লিনদা শরুক য়ারকপদা কিলোগ্রাম ৫৬.৭কী কাঙলূপ্তা মহাক্লা কিৰ্গিষ্টানগী উসোন মুর্জাবেকপু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মহাক্লা গোল্ড মেদল ফংখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী মমাংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মার্সিএল আর্টিষ্ট বিষ্ণু ৱারিয়রবু মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পূন্না মেদল ২২ ফংখিবগী মনুংদা গোল্ড মেদল ৪ য়াওবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা মেদলশিং অদুদি সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ১১নি। টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়ানা টিমগী ওইবা পোইন্ট য়েংনবদা কজাখষ্টান অমসুং কিৰ্গিষ্টানগী মথংদা অহুমশুবা তাখি।

# মণিপুরগী বিস্বমিত্র য়াওনা ইন্দিয়াগী ২ ফাইনেল চঙখ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী): য়ু এ ঈগী দুবাইদা চত্থরিবা এসিয়ন য়ুঠ এন্দ জুনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা ইন্দিয়াগী বিস্বমিত্র চোংথাম অমসুং বিস্বনাথ সুরেশ ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলূপ্তা বিস্বমিত্র চোংথামনা কজাখষ্টানগী বোক্সর অদুরাখোমজোদাবু সেমীফাইনেলদা স্কোর ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্লা ফাইনেলদা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর কুজিবোব অহমদজোনগা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, কিলোগ্রাম ৪৮গী লাইট ফ্লাইৱেথ কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর বিস্বনাথ সুরেশনা ব্রুনৈগী বোক্সর সায়দ ফাদেলগা লম্বা তৌনবদা ৫-০দা মায় পাক্তুনা ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী বোক্সর সঞ্জর টাসেনবেগা লম্বা তৌনরগনি।

চত্থরিবা বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী য়ুঠ ৱিমেন্সতা ইন্দিয়াগী নুপীমচা বোক্সর ১০ ফাইনেল য়ৌদুনা গোল্ড মেদলগী লম্বা তৌগদৌরি।

# কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো য়ুভেন্টসতগী মহাক্কী হান্নগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরগনি

লন্দন, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোলগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা হান্না শান্নরম্বা ইটালিগী ফুটবোল ক্লব য়ুভেন্টসতগী মীয়াম্না কন্না পানরুদবা মওংদা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা মহাক্কসু হান্না শান্নরম্বা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নবগী অরোইবা খূৎয়েক পীনখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা কুমজা ২০০৩ দগীনা ২০০৯দা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী



মরুওইবা ক্লব অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরম্বনি। মদুগী মতুং মহাক স্পেনগী ফুটবোল ক্লব রিয়াল মাদ্রিদতা মতম শাংনা শান্নরবা মতুং ইটালিগী সেরি এদা মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা য়ুভেন্টসতা শরুক য়াখিবনি। রোনাল্ডোনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা কুমজা ২০০৩দগীনা ২০০৯ ফাওবা শরুকয়ারমখিবা মতম অদুদা গেম ২৯২ শান্নবদা পাঞ্জল ১১৮ চনবা ঙমখিবা শান্নরোয়নি।

মহাক্লা ইটালিগী ক্লব য়ুভেন্টসতা কুমজা ২০১৮দা শরুক য়ারকখিবা অদুদা মেটচ ১৩৪ শান্নবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা পাঞ্জল ১০১ চন্দুনা ক্লব অদুগী ওইনসু য়াম্না ফজবা রেকোর্দ থম্বা ঙম্বা শান্নরোয় অমা ওইরিবনি।

# ভাবিনা পটেলনা ফাইনেল য়ৌরকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



টোকিও, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী): জপানগী কোনুং টোকিওদা চত্থরিবা পেরালিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী টেবল টেন্নিস শান্নরোয় ভাবিনা পটেলনা ঙসি অনৌবা ইন্দিয়াগী পুৱারী অমা ইদুনা দিসিপ্লিন অদুদা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবা পর্ফোর্মেন্স অদুবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ভাবিনা পটেলনা ঙসি টেবল টেন্নিস মশান্না অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৩গী থাক্তা লৈরিবী চাইনাগী শান্নরোয় অদুবু গেম ৩-২দা সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোয় য়িং ঝাওগা হয়েং লম্বা তৌনরগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোরকপা অদুদা লৈবাক অসিগী মীয়াম পূম্নমক্না মহাক্লা হয়েং চাইনাগী শান্নরোয় অদুগা ফাইনেল লম্বা তৌবা অদুদা পূক্নিং থৌগৎকনি হায়খি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরিবা পর্ফোর্মেন্স অদুদা অপেনবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু মহাক্কী মশান্না অদুনা হেন্না থৱায় হকচাং হাপ্লবনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, ভাবিনা পটেল থা ১২ শুরকপদা পোলিও নাদুনা দিসএবল্ড ওইবগী ফীভম লাকখিবনি। অদুবু মহাক্কী থৌনা অমদি হোৎনবা কনবা অদুনা খূদোংচাদবা ময়াম অদু নাথৈদুনা থল্লম্লবা মতুং শান্নবগী লম্দা চঙশিল্লক্তুনা টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমদুনা টেবল টেন্নিসকী ফাইনেল য়ৌখিবনি।

# সানিয়া মির্জা ক্লিভলেন্দ চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

ক্লিভলেন্দ, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী): য়ু এস এগী ক্লিভলেন্দ সিটিদা পাঙথোকপা দব্লিয়ু টি এ ২৫০ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী মমিং লৈরবা টেন্নিস শান্নরোয় সানিয়া মির্জানা য়ু এস এগী শান্নরোয় খৃষ্টিনা মেকহেলগা প্যের ওইরগা শরুক য়ারকপদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সানিয়া মির্জা অমসুং খৃষ্টিনা মেকহেলনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা নোরৱেগী পুললিকে আইকেরি অমসুং য়ু এস এগী শান্নরোয় কেথরিন হেরিসনবু পুং ১.৩০ রোম চঙনা শান্নখিবা লম্বাদা ৭-৬ (৭-৫), ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। নীংশিংবা য়াবদি, সানিয়া মির্জা অমসুং খৃষ্টিনা মেকহেলনা ক্লিভলেন্দ চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারকখিবা হৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপা ফাওবগী লম্বেলদা সেট অমত্তা মায়থীবা নংদনা মায় পাকপা ঙম্লক্লি। ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী প্যের অদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চেক রিপব্লিককী রাদেকা অমদি চাইনাগী ঝাংবু ৬-৩, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্বনি। মখোয়গী অহানবা রাউন্দদা জিওর্জিয়াগী ওক্সানা অমদি রোমানিয়াগী এন্দ্রিয়াবু থোইখি। ফাইনেলদা জপানগী সুকো অমদি ইনাগা শান্নগনি।

# অর্সনেল ফুটবোল ক্লব ইংলিশ প্রেমিয়র লীগদা থংন-থংননা মেটচ ৩ মায়থীবা নংখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী অনৌবা সিজন হৌরকপগা লোয়ননা মমাংদা লীগ অসিগী টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা অর্সনেল ফুটবোল ক্লবনা অনৌবা শান্নরোয় কয়া সাইন তৌদুনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎনবা হোৎনরকপা অসি ঙসি মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-৫দা মায়থীখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী ওইনা থংন-থংননা মেটচ অহুম্লক মায়থীখ্রে।

থা অসিগী ১৪দা অর্সনেলনা লীগ অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ব্রেন্দফোর্দকা শান্নবদা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখি। মদুগী মতুং ওগষ্ট ২২দা শান্নখিবা ক্লব অদুগী অনীশুবা মেটচ অদুদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা চেলসিগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখি।

ঙসি লীগ অসিগী ওইনা অর্সনেলনা শান্নখিবা অহুম্লকশুবা মেটচতা মমাং সিজনগী লীগ চেম্পিয়ন ওইখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগা শান্নবদা য়াম্না শোত্থবা মওংদা পাঞ্জল ০-৫দা মায়থীবা নংখি। ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ইলকে গুন্দোগাননা ৭শুবা মিনটতা চনখি। মখা তারকপদা সিটিগী মায়কৈদগী ফেরান টোরেজনা ১২শুবা মিনট অমসুং ৮২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখিবা অদুগা থারগা গেব্রিএল জিজসনা ৪৩শুবা মিনট অমসুং রোদ্রিনা ৫৩শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা অর্সনেল মায়থীহৌবনি।

# ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু অহুমশুবা টেষ্ট মেটচতা ইন্নিংস ১গা রন ৭৬তা থোইদুনা সেরিজ মান্নরি

লীদস, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দগা টেষ্ট মেটচ মঙাগী সেরিজ শান্নবগী মনুং চনবা ওইনা থা অসিগী ২৫দগী হৌখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদু ঙসি অঙনবদা ইংলেন্দনা ইন্নিংস ১গা রন ৭৬তা থোইদুনা সেরিজ অদু মান্নবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, লৈবাক অনীগী মরক্তা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু ওগষ্ট ৪দগী হৌরগা নোটিংঘম সিটিদা শান্নবদা ড্রো চৎখিবনি। মদুগী মতুং ওগষ্ট ১২দগী ওগষ্ট ১৬ ফাওবা লন্দনগী লোর্দস ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ১৫১দা থোইদুনা সেরিজ মাঙজিল থারম্বা অদু ঙসি লীদসকী হেদিংলে ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচতা ইংলেন্দনা য়াম্না ফজবা হেনবদগী ইন্নিংস ১গা রন ৭৬তা থোইদুনা সেরিজ অসি মেটচ অমমম্ মায় পাক্লরগা ১না ড্রো চৎতুনা মান্নবা ঙম্লি।

লীদসকী টেষ্ট মেটচ অদু ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু য়াম্না শোত্থবা মওংদা শুপ্পগী রন ৭৮খক লৌরগা বেটসমেন ১০মক আউট ওইখিবনি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী বোলর জেমস এন্দরসন, ক্রেক ওভরটননা বেটসমেন ৩/৩ আউট তাহল্লবা মতুং রবিনসন অমসুং কুরননা বেটসমেন ২/২ আউট তাহনখি। ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মানা রন ১৯ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্না ওইখি।

ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা কেপ্টেন জো রুটকী রন ১২১, অহুমশুবা বেটসমেন মলানগী রন ৭০ লোয়ননা ওপনর রোরি বর্নসকী রন ৬১ অমদি হসিব হামিদকী রন ৬৮না মপূং ওইরগা মখোয়গী ইন্নিংস অদু রন ৪৩২দা লোইশিনখিবনি।

রন ৩৩৪ শোত্থরবা ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকপদা ওপনর রোহিট শর্ম্মগী রন ৫৯, অহুমশুবা বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারাগী রন ৯১, কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগী রন ৫৫ অমসুং ৭শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজাগী রন ৩০না মপূং ওইবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু অপূনবা স্কোর ২৭৮ শুরকপদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইদুনা মেটচ অদু ইন্নিংস ১গা রন ৭৬তা মায়থীবা নংখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী বোলর ওলি রোবিনসননা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুবু মচেৎ তানা থুগায়বা ঙমখি। মহাক্লা ওভর ২৬ লংখিবদা শুপ্পগী রন ৬৫ পীরগা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৫ আউট তাহনখিবনি। ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসতা ইংলেন্দগী বোলর ক্রেক ওভরটননা বেটসমেন ৩ আউট তাহনবা ঙমখিবা অদু অনীশুবা ইন্নিংসতসু মহাক্লা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৩সু অমুক্কা হন্না আউট তাহনবা ঙমখি।

মেটচ ৩ লোইশিনখিবদা লৈবাক অনী মেটচ অমমম্ থোইনরগা ১ ড্রো চৎতুনা লৈরি। মরিশুবা টেষ্ট মেটচ অদু সেপ্টেম্বর ২ দগী ৬ ফাওবা লন্দনগী কেনিংটন ওভেলদা শান্নরগনি।

# আর্চর রাকেশ কুমার প্রি ক্বার্টর য়ৌখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী): টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারিবা আর্চর রাকেশ কুমার প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু অতোপ্পা আর্চর শ্যামসুন্দর স্বামি মায়থীহৌরে।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা জম্মুদগী হৌরকখিবা রাকেশ কুমারনা হোংকোংগী আর্চর কা সিয়ুন ঙাইবু মায়থীবা পীরম্বনি অদুগা স্বামিনা য়ু এস এগী আর্চর মেথ ষ্টুটজমানগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌবনি।

রাকেশ কুমারনা টোকিওগী য়ুমেনোসিমা ফিল্ডদা লম্বা তৌনখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল ইলিমিনেসন রাউন্দ অদুদা হোংকোংগী কা সিয়ুন ঙাইবু ১৪৪-১৩১দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। কুমারগী মায়কৈদগী উৎখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু হোংকোংগী আর্চর অদুনা লম্বা পীবা ঙমখিদবনি।

অমরোমদা, মশাগী চহী ২৪ শুরবা শ্যামসুন্দর স্বামিনা য়ু এস এগী আর্চর অদুগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্কবা স্কোরদা পোইন্ট ১৩৯-১৪২দা মায়থীহৌখি।

# সেলেক্সন ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): মমিং লৈরবা বেদমিন্টনগী টুর্নামেন্ট সুদিরমান কপ অমসুং থোমাস এন্দ অবর কপতা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় খন্ননবা ঙসিদগী হৌরগা হায়দরবাদ সিটিগী পুলেলা গোপিচান্দ বেদমিন্টন একাদেমিদা সেলেক্সন ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি হায়রি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ-১৯গী গাইদলাইনশিং অদু নীংথিনা চৎনগনি। ট্রায়ল অদুদা শান্নরোয়শিং অদুগী মমা-মপা, পর্সনেল কোচশিং অমদি অতোপ্পা নক্কবা মীওই অমত্তা য়াওবা য়ারোই হায়রি।

শান্নরোয় অমনা ইভেন্ট অমখক্তদা ট্রায়ল সেলেক্সন শরুক য়াবা য়াগনি। লোয়ননা দবলসকী শান্নরোয় অমনা মখোয়গী পার্টনর অদু হোংদোক্লবসু অনৌবা পার্টনর অদু এসোসিএসন অসিগী লিষ্টকী মনুংদা চনগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

**PUZZLE NO. 213**



**Saduakassova, Dinara - Goryachkina, Aleksandra (2596)**
**FIDE World Cup Women 2021 Krasnaya Polyana RUS, 2021.07.26**

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.Nf3 Nf6 | 3.Bf4 c5 |
| 4.e3 Nc6 | 5.Nbd2 cxd4 | 6.exd4 Bf5 |
| 7.Bb5 e6 | 8.Ne5 Qb6 | 9.c4 dxc4 |
| 10.a4 Bb4 | 11.O-O O-O | 12.Bxc6 bxc6 |
| 13.Ndxc4 Qa6 | 14.Ne3 Nd5 | 15.Bg3 f6 |
| 16.Nxf5 exf5 | 17.Nd3 Rfe8 | 18.Rc1 Re4 |
| 19.Nxb4 Nxb4 | 20.f3 Re2 | 21.Qb3+ Nd5 |
| 22.Rc2... | | |

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 212 Ans. :**
42. ...Bb7 43.Ra8+ The white rook deflects Black's bishop away from protecting the square c8. Bxa8 44.Nc8+ Ka6 45.Rb6# Arabian mate
43.Ra8+

**HHG Academy**
Sangaiprou , Ghari Mamang Leikai (Affiliation to COHSEM)
Just Rs. 3000/- to admit
ADMISSION OPEN CLASS XI Science 2021-22
Just Rs. 3000/- to admit
Achievement: Striking 100% pass, many letter mark holders in the year 2018, 19, 20 and 2021.
FACILITIES:
i) No monthly tuition fee & Lowest course fee in the state.
ii) Reservation for children of single parent and marginalized family.
iii) Free school uniform + free school bag + free text book + free exercise book.
iv) Separate Hostel for Boys and Girls.
For offline admission : School office with SOP For online admission : www.hhgacademy.com
Contact number: 9862445909 (Sir Nelson) / 9774571821 (Sir Jotin) / 9774269528 (Sir Ratan) / 6009861409 (Sir N I)
HL-B/7062/13-20

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### মীরেপ ওইগদৌরিবশিংনা মেনিফেষ্টোদা মণিপুরগী বোর্দর পিল্লর ৮১গী মরুওইবা এজেন্দা য়াওহন্নিংই



১২শুবা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা মীরেপ ওইগদৌরিবা ইবুংঙো-ইবেম্মশিংগী মফমদা থম্মোয়নুংগী ওইবা ৱাফম খরদং থমজগে। মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওইশিংনা ইলেক্সনগী মেনিফেষ্টোদা মরুওইনা ইরৈপাক ইরমদম মণিপুরগী বোর্দর ফেন্সিংগী (পিল্লর ৮১) ৱাফম মরুওইবা এজেন্দা ওইনা মীচম অমা ওইনা য়াওহন্নিংবগী অপাম্বা লৈ। লোয়ননা ইশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা ইরৈপাক্কী য়াইফগদবা মরুওইনা এ সীগী মীয়ামগী পূক্নিংগী অপাম্বা খঙনা থবক তৌহন্নিংই। করিগুম্বা অদোম-অদোম্না ভোটতা মায় পাকপীরবদি পার্টি নাইদবীদা ভোটরশিংবু নশামক্কী এ সীগী মীয়ামনি হায়বা ৱাখল লৈবীয়ু। শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাফম লাপ্পা থম্বীয়ু। অফবা মতীক চাবা মীওইতমক লৈবাক্কী থবক লৌবদা সেলেক্সন তৌবীয়ু। মরুওইনা তুংগী মীরোলগী খনবীদুনা ওজা লৌবদা চাম্মদা চাম্মা পূকচেল শেংনা লৌবা পামজে। মীরেপ ওইগদৌরিবশিংনা মীচম মীয়ামবু নীংথম থাগী হঙ্গাম মপালগুম উবগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। মীয়াম ঐখোয়সু মীরেপ ওইরিবশিংগী হৈ-শিংবা, মহৈগী থাক, মীথোকপা অমদি ইরৈপাক্কী নুংশিবগী মমি তাবা মীওই ওইনা ভোট থাদবদা খল্লগা থাদবীয়ু। মদুনা ভোট কাখ্রবা মতুংদা ইরৈপাক ইরমদমগীদমক থৌনা লিংজেল লৈনা থবক তৌরকপা ঙমগনি হায়না থাজে। করিগুম্বা ঐখোয়না শেল খক্তমক য়েংলগা ভোট থাদখ্রবদি লমদম অসি অদুম্মক ৱানা লৈখিবা য়াই।

❒ অতোম ধনঞ্জয়, লাংজিং অচৌবা

### কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ কদায়দগী অমদি কদোমদগী লাক্কদবনো কুপ্না থিজিনহন্নিংই



চীংলোন মাপননা পনঙাকপা লমদম অমনি হায়বা ঐখোয় খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। তমথীরবা কোভিদ-১৯গী অহানবা অমদি অনীশুবা লাইচৎকী তাঙক্কী মতুংদা অহুমশুবা ৱেভ করিগুম্বা লাক্লগদি অঙাংশিংদনা হেন্না শোকহনবগা লোয়ননা অমুক হন্না লমদম অসিদা লাইচৎ অসি শন্দোরক্লগনি হায়বনচিংবগী পাউ পাউচে কয়াদা ফোঙনরি। কোভিদ-১৯গী মরমদা খঙদবা হৌজিক্কী ওইনদি ইরৈবু লৈরম্লরোই হায়না খল্লি। মতাং অসিদা থম্মিংলিবা ৱাফমদি, কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ অসি কদায়দগী হৌরক্কদৌরিবনো, মরুওইনা মপান লমদগী হৌরক্কদৌরিব্রা নৎত্রগনা ঐখোয়গী লমদমদা লৈবা মীওই অমদা হেক্তা নারকপা য়াব্রা হায়বসিসু থিজিনবীবা ফৈ। হৌখিবা ফর্ষ্ট ৱেভ অসি চাইনাদগী হৌরকখিবনি। অসুম্না মণিপুর নৎতবা মফম অমদগী হৌরক্কদবা ওইরবদি মমাংদা ওইখিবশিং অদুনা পারা অমা ওইরগা হৌজিক্তগী হৌনা চেকশিন থৌরাংনচিংবা করি তৌবা য়াবগে হায়বসি মীয়াম অমদি অখঙ-অহৈ দোক্তরশিং পূন্না খন্নমিন্নবা ফৈ। মপান্দগী লাক্কদবা নৎত্রগা মণিপুরদগী শন্দোরকপা য়াবা লৈরগনা করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বসি কুপ্না থিজিনবা অমা চঙলি। হৌজিক্কী ওইরিবা ফীভম অসিদদি কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ অসি থা অসিদা লাকপা য়াই হায়নদবসু নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

❒ ৱাঙ্খেরাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং পুঙ মখোঙ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com